কনানা হায়রিবনো ইমা
লাইরবীনি, নথানুংগী নচা শেৎনরবীনি!
করিবু ৱাৎপগে নঙগীবু!
করিবু লৈতবগে নঙগীবু!
ৱাংদ-ৱাংবী ইমা নঙগী
থোইদ-থোইবী পান্থোইবী নঙগী
হিংলিনে নচা মশীং খঙদনা
নঙগীদমক য়াইবী-থৱায় কৎখিববু
শিবা কৌবরনে, শিবা কৌবরনে?

— মেমচৌবী



## ইমা

— এলাংবম রাজেন

অঙাওবা নোংলৈ নুংশিৎ ওই
লাকখ্রে শাংলবা পুন্সি লম্বীদা
তকখায়দুনা থেংনবা পূন্নমক নিংথৌরেলগুম
অদুবু ঙসিদি চোকথরে
লৈচিলদগী লাইজ ওল্লে
তেঙ্গৈ লিরুংগুম কোল্লে।
ইচাশিংগী য়েংহৈদ্রবশিং উরগা
চৎখ্রবা কুইরবগী তুংদা
ফাওরক্লে থিংঙমদনা ইমাবু নুংশিবা
খঙলক্লে পূন্নমক্তগী অথোইবীনি
কোকপীবা নত্তনা শিংঙল্লোই লমনসু।

থম্মোয়দা খুত্তুম্না শুজিঞ্জরি
ইঞ্জরল্লবদি ইমানা হায়বদো
থেৎলমগনি লানঙম ফিরাল
ঙল্লমগনি পুরকপা
ফজবা অশেংবা অচুম্বা মালেমসিদা।

## মীওইবা

— য়ূম্নাম রাজেন্দ্রকুমার

মীওইবা হায়বা জিব লৈরিব্রা তাইবঙসিদা
অচিকপা অহিং অমদা হংলকখি
শকখঙদবা খোঞ্জেল অমনা চীংলেম্না
অসুক য়াম্না লৈরিবসিবু মীওইবা নৎত্রবরা?
ঐনা হংখি অচিকপদা...
খোঞ্জেলদুনা হায়রকই
নত্তে মী নত্তে ময়ামসিদি
মী মানবা জিবনি মশা মশা ফাও খঙজদ্রবা
শিরনি মখোয় মরোমদোম হাৎনদুনা
য়াওদ্রে মখোয়দা মী মীগী মশক্তু
তোল্লে মখোয় জিব পূন্নমক্তগী
খ্বাইদগী তোনবা ওইনা।

## মমা ওইরদরা

— জিতেন লুৱাং

কপ্পু কপ্পু পেন্না কপ্পু
করিগীসু কপ্লোই
মানা কপহল্লিবা নৎত্রা?
মানা নঙবু নুংশিবিরম্লগা
নঙনা মমা ওইদৌর মতমদা
করিগী নাথৈদুনা চেল্লিবনো?
মানা মপা ওইবা কিরবদি
করিগী ইন্দ্রি মহাও তংদুনা
মপুক থন্নবা চাখ্রিবা?
কৈসু খঙজদ্রিবা অঙাং অসিবু
ফদি ফারানা য়োমদুনা নারক্তা
লংথোকপা তাবরা পাপ পুনবা।
করিগীনো মহাক্না নুপী ওইবীবু
ঙাইহাক্তংগী শান্নপোৎকুম খল্লিবা?
করিগীনো মহাক্না নুপী খুন্নাইবু
অসুক লৈখা তানা চিংথনীংলিবা?
মহাক মী নত্তে শানি।
অদুনবু নৈহৎপীরল্লিবা নৎত্রা?
কয়া কুইনা হিংঙমখিনি নহাক
ইকায় ফিরুক খুমদুনা তাইবঙসিদা
হৌজিকসু নৌজরিবী লৈশাবী নঙনা
মমা ওইরদরা মপাসু লৈতনা।

## তোল্লবা মপোক

— ময়েংবম বিজেন্তি (থোই) চনু

তাইবঙ লীলা য়াওজনীং
পোল্লকখিবনি ঐ মীওইপোকসিদা
তাইবঙ লীলা য়াওদ্রিঙৈ
উরে ইমিৎসিনা
অকিবগী মশক ওইরবা
তাইবঙ লিলা ফম্বাকসে।

তিংখংনা ময়াইদা ঙান্থোইরিবা
খোঙদাফম লৈত্রবা
তাইবঙ লিলা ফম্বাকসে
ঐনা করম্না য়াওগনি?
পামজরুবা ফম্বাক্তি
নত্তে উরিবা ফম্বাকসি
য়াওজনীংবা লিলাসু
নত্তে শান্নরিবা লিলাসি।

উনা-উনা ইমিৎসিনা
য়াওরিবনি শান্নরিবা লিলা
পুখরবনি নোরোক্কী কোমদা
কাখৎপসু ঙমদা
চিংখৎপীনবসু লৈত
হনখিবা তাবনি
তাইবং মীওইপোকসিদৈ।

## কুমগী নোং

— ময়েংবম প্রেমচান্দ্র

নুমীৎ থোক্লি
মৈ ঙ্রুং-ঙ্রুং চাক্লিবা অতিয়াদা
মমিৎ শংত্রিক য়েংলদুনা,
হিপ্লি মালেম
খৌরাংবনা চরম চেকখায়রদুনা
ঙাইরি কুমগী নোং।

খুঞ্জা অমা
ঈখৌ লাংবনা চরম খ্রক-খ্রক কংলবা
নিরি য়ূমথোং খুদিং চঙদুনা
‘ঈশিং
ঈশিং খুজোক অমত্তং
ঈশিং খুজোক অমত্তং...’
হঞ্জিন হঞ্জিন কৌজৈ
কনাসু খুমলক্তে
য়ূমশিংগী থোঙ চেজেৎ লোনশিনখি,
‘ঈশিং, ঈশিং ঈশায়ফুগী ঈশিং...’
মুরুম-মুরুম শোল্লম্লগা মখ্বায় থাখি।

নুমিদাং
খুঞ্জা নুপীশিং থোক্লরকই
খ্বাংজেং মচি লাং
শম্বুল চেজেৎ পুন
খুত্তা মৈরা পায়
লাউরি
মখয়াৎ শেগায়বমখৈ,
“নোং ও চুথরো
হনুবী হনুবা তাউথরো
লাংজিং মতোন থুম্মৎলো
পাৎশোই নুরাবী তেকখৎলো।”
নুমিৎ থোকলি
মৈ চাক্লবা মালেম
তপ্পা তপ্পা তাঙ্গৌই ওল্লক্লি।

## মায়কৈ

— তাইবংজম যোসি চনু

হৈনিংদ্রবা ইখূৎসিনা
শেম্নিংলি অমতংদি লম্বী
পুন্সিগী লমশাংদা
চোকথরবা ইখোঙসে
পুরি থম্মোয়না
নঙগী মায়কৈদা

ইশাগী হক
তানবা ঙমজদ্রবা
মীকুপ ’মতং
অদুবু
ঙসি ফাওবা য়েংলি
নঙগী মায়কৈতবু
হে তাইবঙ মপু।

## নঙনা কনবা ঙম্ব্রা

— প্রদিপ মঙাং

নম্থরক্লিবা চীংজাওসে ইথক্তনি,
মন্দুনা নিদুনা, পুদুনা হিংলবনি মণিপুর।
মপু লাক্লরোই মংলৈবাকসিগী
মংফম ওনখ্রনি ইরৈবাক।
নঙনা কনবা ঙম্ব্রা?

অভিমন্যুগী কাংখোংনি দোলাইগী,
পান্দম লৈতনা হুনগদৌরিবা,
দ্রোনাচার্য্যগী পাউখুম্নি অশি লৈবাক,
কৃষ্ণগী মোইবুংনি মচিন-মনাও হাৎনদৌরিবা,
নঙনা কনবা ঙম্ব্রা?

ইচাবু মীচানা, অফববু ফত্তবনা, শিল্লক্লিবা,
লূরবা চীংজুম লাইজদা হূ তরেৎ য়াল্লক্লিবা,
নোক্লিবা অশেম্বা পুৱারীনা,
কপ্লিবা অশেংবা পুৱারীনা
নঙনা কনবা ঙম্ব্রা?

মমানা মচা পো থোঙ্গালদা মপুরোইববু ঙাইবদা,
অঙৌবা ফিনা কুপ্তুনা থৱায় য়াওদা থুংলরনি,
মঙলান্না য়োল্লিবা মচাবু মথাদগী মুন্দুনা,
ইমাংমক্তা হাৎলরনি
নঙনা কনবা ঙম্ব্রা?

লৈবাক নীংবা, লম নীংবা মীবু নীংদবা ললোনবশিং,
লুচিংবগী মায়খুমদা মশাগী মরনবু শগুন তৌরিবা,
হিংচাবনা শারিবা, গুন্ডীরগী পি;
অচৌববু ঙাক্লবা মচাবু হিংহনবা,
নঙনা কনবা ঙম্ব্রা?

অমদগী হেল্লবা অনী নত্তে, মরিনি
মতুংইনবা ৱারনি, মাঙজিন থাবা ঙাওরনি,
ঙল্লোই মান্নবা খুন্নাই, ঙল্লোই ঙমখৈগী ৱাখল,
হিংবদগী শিবনা পাম্নরবা থৱায়শিং
নঙনা কনবা ঙম্ব্রা?

## মতমগী খোঙচত্তা ঐ

— এলাংবম প্রেমচান্দ

মালেমনা নুমিৎকী অকোয়বদা চৎলি
মদুদা নত্তে,
মালংপান্দা লৈরিবা গ্রহ খুদিংমক
ঊংলি পোথাফম লৈতনা
ঙরাংসু, ঙসিসু, হয়েংসু
ইপা-ইপুশিংনা পোক্ত্রিঙৈদগীসু
কয়াদা মথৌ মশক খঙখ্রবা!
অদুগা ঐনা,
তূম্বা, চাবা, কোয়বা
ঙসিসু, ঙরাংসু, হয়েংসু
মসিনা ইথৌ ওইনা লৈরি।
ঐসিবু মতমগী খোঙচত্তা
তাউথরিবরা নৎত্রগা পল্লব্রা?
কদায়দনো অমা
হোংগে হায়বসি
ঐ শুকঙম ঙমদে।
ঙসিসু ঙরাংসু অম্মানি
ঐগী হোংলিবা হায়ববু
মায়দা চিংলিবা ময়িশিংসি মঙাইরে।


## উদয় প্রকাশকী *মোহন-দাস*
## মণিপুরী খোরিরোলদা লৈশাৎ তল্লকপা

**লোন** অমদগী লোন অমদা হন্দোকপা হায়বসি অরায়বা থবক নত্তে। হন্দোক্তদৌরিবা অমদি হন্দোক্লিবা লোন অনী অদু মমূৎ তানা মনুং থিৎনা খঙদবা য়াদে। লোন অনীমক্কী নোলেজ লৈত্রবদি খুৱৌ থাংদুনা মায় পাকপা ঙল্লোই। অমুকসু হন্দোক্লোই অদুগী হৈশিংবা শেম শাবা অমসু চঙদবা য়াদে। ৱাহৈ পরেংগী ৱাহৈ পরেং ওইনা হন্দোকপদি ত্রান্সক্রিয়েসন ওইনা চানবা ৱাহৈ ওইনা নৎত্রগা হাপ্তুনা হন্দোকপনা অপাবশিংবু নুংঙাইহল্লি হায়বসিমদি লৈখিদ্রবা ওজা অয়েকপম শ্যামসুন্দরনা হন্দোকপীরম্বা লাইরিকশিংনা খুদমনি।

মণিপুরী খোরিরোলদা নুংঙাইরিবদি মণিপুরী লোন্দগী অতোপ্পা লোন্দা হন্দোকপদগীদি অতোপ্পা লোনগী লাইরিকশিংনা মণিপুরী খোরিরোলদা লৈশাৎ তল্লকপসিনি। তোঙানবা লোনদগী হন্দোক্তুনা খুদোল তল্লকপসিদা ওইরিবা হন্দোক্লোই অনীখক থোক্লকপসিনি। জ্ঞানপিঠ এৱার্দ ফংলবা পঞ্জাবী রাইটর গুরদিয়াল সিংহগী *মারহি দ দিবা*বু অরোইবা মৈরী হায়না হন্দোক্লিবা লাইশ্রম সমরেন্দ্রো অমদি আর কে মোবী অনী অসিনি।

রাজকুমার মোবী সিংহনা সাহিত্য একাদেমি এৱার্দ ফংলবা উদয় প্রকাশকী *মোহন দাস* নোবেল্লাবু মণিপুরী লোন্দা মমিং অসিমক থোন্দুনা খুদোল তল্লক্লি। আর কে মোবী মশামকসু ক্রিয়েটিভ রাইটর অমসুনি। ৱারীমচাগী লাইরিক অনী ফোঙখ্রে। হন্দক হন্দোক্লিবা লাইরিক অসিনচে অনীশুবা হন্দোকপা লাইরিক্লি। ৱারীমচা ইবা মোবীদগী হন্দোকপদা থেংনরিবা মোবীগী মশক্না তোঙানবনি। পাবদা নুংঙাইনবা লোইবা ফাওবা পানিংহনবা লোয়ননা লাইরিক অসিনা অপাবশিংদা ৱাখল খলহনবা অসিনা লাইরিক অসিগী মগুণনি। মগুণশিং অসি হন্দোক্লোইনা অপাবশিংদা পীবা ঙল্লে।

নোবেল্লা অসি পারুরগা অপাবশিংদা হঞ্জিন হঞ্জিন ৱাখল খলহল্লিবা ৱাফম অমদি মোহন দাস কুম্বা হন্থবা কাঙলুপ্তা পোকপা, কনা লৈজদ্রবা, মীচং শঙ্গ লৈজদবা লায়র-নংলবা মীওইশিংদা অৱাফম অসি তাদনিংঙাই লৈতে হায়বসিনি। মতমগী মীহুল চপ চানা হুনবা ৱারী লাইরিকনি হায়জনীংই। মতমগী মীহুল হুল্লিবা নোবেল্লা অসিদা মোহন দাসনা মেইন করেক্টরনি। খুঙ্গংদা, অতোনবা জাতিদা পোকপা কবির নীংবা ওইদুনসু খুলদুগী অহানবা বি এ ফার্ষ্ট দিভিজন, মেরিট লিষ্টতা অনীশুবনি। ওরিয়েন্টেল পোল সাইন্সতা ইন্টরভিয়ুদা ফাষ্ট তাই। অদুবু মদুদা থবক ফংখিদে। পুন্সি চুপ্পা মদুনা অৱাফম ওইখি। নাকল অমদা খুলদুগী বিসনাথ ওফিসারগী মচানি। অৱাংবা থাক্কী ইমুংনি। শেঞ্জাও পায়বনা মরম ওইরগা মোহন দাসকী বি এ সার্টিফিকেট, থবক মাগী ওইখি শুপ্নতগী থবক্তা নত্তে মাগী শাগৈ মপা মমাগী মমিং, নুপী মমিং মোহন দাস মশামক্না বিসনাথনা ওইখি। অদুগা অশেংবা মোহন দাসনা শরু শয়াং তেক্না ৱানা হিংখিবগী মশক্নি অচুম্বা ফনা হায়জরবসু অচুম্বা পূম্বা অরানবা তাহনখি। অচুম্বা চৎপা বিড়ি থকপা জর্জ অমনা হোৎনবীদুনা ফল ফংলমদাইদা ষ্ট্রোক তৌদুনা মায়থীখি। ঙসিগী খুন্নাইদা অশেংবা অচুম্বা লৈত্রে শেলবু লৈরবদি পূন্নমক ঙল্লে উৎলি। মচানুপানা মমান্নবশিংদগী মকোক থোংনা লাইরিক ফবনি হায়রবসু বি এ ফার্ষ্ট ক্লাস ওইরবসু ওটো ৱার্কশোপ অমদা য়াওদুনা পুন্সি হিংনবা হোৎনরিবা মোহন দাসনা মপুন্সিদা নোক্লি, “ঐসু মতম অমগী বি এ ফার্ষ্ট ক্লাসনি, অহিং অহিং হৌগৎতুনা হোৎনরকই, হৌজিকপু ঐ করি



মমিং ঃ মোহন দাস
মখল ঃ ৱারীমচা
অইবা ঃ ডা. আর কে মোবী
ফোঙবা চহী ঃ ২০১৬
লামায় ঃ ৮২ + XVI
অফোঙবা ঃ আর কে উলম সিংহনা মণিপুরী লিটরেরি সোসাইটি ইম্ফালগীদমক
মমল ঃ লু: ১৫০/- (চেখুম অপাবা)
লু: ২০০/- (চেখুম অথাবা)
ফংফম ঃ মণিপুরী লিটরেরি সোসাইটি ইম্ফাল, মণিপুর হিন্দি পরিষদ কমপ্লেক্স, এসেমব্লি রোদ, ইম্ফাল

**পাউদম্লিবাঃ ডা. মায়া নেপ্রম**

ওইরিবনো?’ (লাঃ৩) অচুম্বা অশেংবগী মফম লৈত্রবা ঙসিগী খুন্নাই, মীচং শঙ্গ, শেল লৈরবদি পূন্নমক ঙমদবা লৈতে হায়বদু মোহন দাসনা উৎলি। পাবা মতমদা করিনো ৱাহং অমদি অদুমক হংনিংই অচুম্বা হায়বদু লমদমসিদা লৈত্রবরা? খুন্নাইসিদা অচুম্বা হায়বদু করম্বা মতমদা লৈরকখিদগে মসিনি হংনীংলিবা।

হন্দোক্লোই রাজকুমার মোবীনা শীজিন্নরিবা লোল চম্না নুংঙাইহল্লি। কদ্রক কদ্রক লাওহন্দে। লোইবা ফাওবা পাহন্নিংবগী ঈখৌ লাংবা অমদি পোকহল্লি। পাবা লোইরগা লাইরিক ফৎ খুমজিল্লগা মীৎতা উরকই, নাকোংদা তারকই চৈনা খাঙবা ৱারবা মোহন দাসনা অরোইবদা হায়জবা, “মোহন দাস ওইনীংবা মীনা ওইজসনু। ঐদি মোহন দাস নত্তে। ঐ বি এগা পাস তৌদে, ঐ পরিক্ষাদা মকোক থোংখিদে। ঐনা থবক তৌবা ইতিক্লা। ঐ অমুক্তা ঈংনা হিংজগে।” (লাঃ ৭৯) কয়াদা থম্মোয় শোকখ্রবা ৱাহৈনো মসিনি ঙসিগী উপায় লৈজদ্রবা কনা লৈজদ্রবা মীওশিংগী খোল্লাও। মসিনি ঙসিগী খুন্নাইদা লৈরিবা মীওশিংদা লাইরিকসিনা পীরিবা পাউজেল। নুংঙাই হন্দোক্লোই ওইরিবা মোবীনা লাইরিক অসিবু মৈতৈলোলদা হন্দোক্তুনা পাবা ফংহনলকপা অসিগীদমক থাগৎনীংই।

অরোইবদা হায়জনীংবা অমতংদি অপাবনা খঙদবা ৱাহৈ য়াওরিবসি ফুট নোট পীহন্নিংই। খুদম ওইনা মলৈহ লাইরেম্মী, ইংলিসতা ইরিবা ৱাহৈ কম্যুনিতি মৈতৈলোন্দা ইহন্নীংই। ল নৎত্রগা ন পীবা অর্থদা খেন্নহল্লিবা ৱাহৈ ‘অমলবা’ মহুৎতা ‘অমনবা’ শীজিনহন্নীংবা য়াওরকই। মথংগী খূৎনমদা শেমদোক শেমজিন খরদং তৌহন্নিংই। রাজকুমার মোবীদগী মণিপুরী খোরিরোলনা আশা য়াম্না তৌরি অফ-অফবা লাইরিক কয়া মণিপুরী লোন্দা মখা তানা হন্দোকপা ঙম্বা ওইসনু।○

## মোহন দাস
### (কুমজা ২০১০দা সাহিত্য একাদেমী এৱার্দ ফংখ্রবা হিন্দী নোভেল্লা)

**উদয় প্রকাশ**

**নগেন্দ্রনাথ** বিসিয়া খুলগী শেল পায়বা লৌমী অমদি লাইফ ইন্সুরেন্সকী ওফিসতা অচৌবা মী অমনি। মহাক কলেক্টরদগী মন্ত্রি ফাওবা লোয়না খঙনৈ। মহাক গ্রাম পঞ্চায়েটকী প্রধান অনীরক অমদি জিলা পরিষদকী ভাইস প্রসিদেন্টসু ওইরুরে। বিসনাথ প্রসাদ নগেন্দ্রনাথকী মচা মঙাগী মনুংদা অমনি। শারদানা বিসনাথ প্রসাদকী চহী অমত্তা ঙাইরিবা মচানুপা অমবু শেন্নরি। বিসনাথকী অশেংবা মমিংদি বিশ্বনাথ প্রসাদ হায়বনি অদুবু খুঞ্জাশিংনা বিসনাথ হায়না কৌই। বিসনাথ হায়বদি হু পুবা হায়বনি। মহাক্কী মতুংদা অসুম্না ঙাঙনৈ-“মহাক্তি থাঙ্গৈমক শেংনা হু পুই। চীকপু চীক্লবদি হিংদ্রে। মপানা নাগনাথ মচানা সাপনাথ। নঙোন দা নুংশিনা য়েংলক্লবা, নোকফেৎ তৌরক্লবা নহাক খুকউ শেনবা য়ারে। মতমদুদা খঙগদবদি মহাক্না নহাকপুসু চীক্কদবগী শেম শারবনি।” মহাক মবুক শেংদে, মশাদা মাংজবা অমা য়াওই। মরক মরক্তা য়ু থক্লগা মশানসু হায়জৈ-“মীগী পোৎ অমদা অমদা থোক থাক্কা তৌবগী নুঙাইবসিদি ইতু কোনবগী নুঙাইবদুনকা হেনপোত্তে। হা...হা...হা...’। মহাক্কা ফম্মিন-চামিন্নরিবা মীওইশিংদুগী মরমদসু কনা অমত্তনা ফনা হায়নদে।

বিসনাথনা অৱাংবা থাক্কী কাঙবু অদুগা মোহন দাসনা কবির নীংবা অনেম্বা থাক্কী কাঙবুনি। অয়াম্বনা মখোয়গী শাগৈ-নাতৈগী মীওইশিং য়াঙ্কোক, পোলাং অমদি ফক্লচিংবা শাই। মোহন দাস ঐখোয়গী খুলখক্তদা নত্তে থংনবা নাক-য়েৎকী খুঙ্গং পূম্বদা বি এ পাস তৌবা অহানবা মীওইনি। মদুসু ফার্ষ্ট দিভিজন অমদি মেরিট লিষ্টকী অনীশুবা পোজিশন্দা।

*(মতাং অসিদা ঙাইহাক লেপখিসি। অদোম শেংনা হায়বিয়ু ঐনা অদোমদা ওইদবা অমদি শাশিন্নবা ৱারী লীবদি মান্দেকো? ৱারী অসিদা য়াওরিবা মরু ওইবা মীশকশিংগী মিংনা মোহন দাস, নুপীগী মমিংনা কষ্টুরি বাই, মমাগী মিংনা পুটলি বাই অদুগা মচাগী মিংনা দেবদাস...।*

*কষ্টুরিবাইনা কষ্টুরবাবু নীংশিংহল্লি, মোহন দাসপুদি অদুমক ইখঙ খঙনরে। করিগুম্বা মহাত্মা গান্ধিগী ওটোবাইওগ্রাফী হায়বদি “দ ষ্টোরি ওফ মাই এক্সপরিমেন্ট ৱিথ ট্রুথ” পাবিরবদি মহাক্কী মপা করমচান্দগী অতোপ্পা মমিং কাবাসু কৌই খঙবিরমগনি। মমাগী মিংনা পুটলিবাই... অদুগা মহাক্কী মচা দেবদাসকী মরমদা কনানবু খঙদবা লৈগনি? করিগুম্বা অদোম্না মোহন দাসকী শকফম অমদি হকচাংগী মওং মতৌ নীংশিংবিরবদি অমুক পুৱারীদা চিংশিল্লক্লগনি। খেন্নবা হায়ববু মসিগী মোহন দাসসিনা পোরবন্দর, কাঠিয়াৱার, রাজকোট, বিলায়ট, সাউথ অফ্রিকা নৎত্রগা বজাজ বিরলা ভৱন্দা নত্তবা ছটিশগর অমদি বিনদ্যা প্রদেশকী উমং ৱামংশিং, শুরুং মনুং অমদি লৌবুক লম্খাংশিংদা লৈত-লায়রনা মরম ওইদুনা চরা হেল্লিবা, লায়না তীলনা চেল্লিবা অমদি তোন্না হিংলিবা মোহন দাসনি। ... অতৈদি চপ মান্নে।...।*

*... অদুবু ঐনা ৱারীসিগী ময়ায়মক্তদা লেপ্তুনা অদোমদা হায়নীংবদি মিং-নুং মান্নবসিদি শুপ্নতগী চানরুবা হায়বদুনি। ঐনা ঐখোয় খুলগী মোহন দাস অমদি মহাক্কী ইমুং মনুংগী মীওইশিংগী মরী মখোঙ তাকপদা পুৱারীগা চাউনা মরী শম্নরক্কনি হায়বসি ঐনা কৈদৌঙৈদসু থাজরুদে।*

*থাজবিয়ু হায়রিবসে করিসু মরী লৈনদে। মসি তৌশিন্নবা অমদি শাশিন্নবা ৱারী নত্তে। মসিদি তশেং তশেংবা ৱারীনি। মরমদি ঐ মমাঙঙৈগুম ৱারী লীবদা ঐখোয়গী মতম অমদি সমাজগী অশেংবা পুন্সিবু লীনবা হোৎনরি। তশেংবদি মোহন দাস হৌজিক হৌজিক হিংলিবা অশেংবা মীনি। অদুবু মহাক্কী পুন্সি হৌজিক্কাল অৱাবা নংলি। হোয়, অশেংবা অদুদা খরা হাপ্তোক হাপচিন তৌবতনি।*

*ওন্থোক-ওনশিনসু পংচাউ চাউনা তৌবদি নত্তে। চাউখ্রবা শামুগী মশাদা খুদুপ অমা অনীগী ফি কুপ্নবা হোৎনবতনি।*

*অচুম্বগী পাঙ্খক ওইরিবা শামুবু অইবা অমনা খুদুপ অমা অনীগী ফি কুপশিনবদবু করি ওইগনি। অদুম ইঙান-ঙান্না ইউ উবা হায়বদুনি।*

*অদুনদি ... মোহন দাস অশেংবনি। থাজবিদ্রবদি অদোম্না ঐখোয়গী খুন্দা নৎত্রগা লৈরিবা অতোপ্পা খুল অমদা হেক্তা হংবিরুবা য়াগনি।)*

মোহন দাসনা বি এ পাস তৌরকপদা মমা-মপা অনীনা অথুবদা অচৌবা থবক অমা ফংলগনি হায়না তশেংনা থাজবা থমখি। মহাক্না চহী ১৪/১৫ রোম শুরকপদা কটকোনা খুলগী বিরনজুগী মশক-মতৌ ফজরবী মচানুপী কষ্টুরী বাইগা লুহোংখি। কষ্টুরী হোৎনবা কনবী নুপীনি। ইমুংগী থবক ইনখাং অমদি মপানগী থবক কয়া অমসু শু-নোমদুনা মোহন দাসকী লাইরিক তম্বদা মতেং পাংই। পূন্নমক্না মোহন দাসতা থাজবা কয়া থম্মী। মখোয়গী শাগৈ নাতৈদা মোহন দাসনা অহানবা বি এ পাস তৌবা নুপানি। মদুসু ফার্ষ্ট দিভিজন্দা। ইগজাম হায়দোরকপদা মহাক্কী ফোটো কয়া অমসু খবরদা য়াওরকখি। কোচিং চল্লাইবা কয়ানসু মহাক্কী ফোটো খবরদা হাপ্লকখি।

মোহন দাসনা এমপ্লোইমেন্ট ওফিসতা মশাগী মিং চল্লে অমদি এমপ্লোইমেন্ট ন্যুজদা য়াওরকপা এদভর্টাইজশিংদা এপ্লিকেসন থারে। এমপ্লোইমেন্ট ওফিসতগী মঙোন্দা মতম মতমগী কার্দ লাকই। মহাক্না পি এস সিগীসু শেম শাখি। হৌজিক হোৎনরিবা অসুম্না মহাক্না লাইরিক তম্লঙৈদা ফাওবা হোৎনরক্তে।

মোহন দাস মফম শীনবা থুংলুরে। অইবা চাংয়েংশিংদা মহাক্না ময়ামদগী লোয়না মকোক থোংই। অদুবু ইন্টরভিয়ুদা হেক্তা লৈহৌই। ক্লাস নাইন টেন পাস তৌবা নৎত্রগা বি এদা সেকেন্দ-থার্দ দিভিজন্দা লাকপা কাঙবুনা হেক্তা খল্লম্মী। মখোয়গীদি ৱানোম্বা অমা নৎত্রগা অমা হেক্তা য়াওরম্মী। মখোয়শিংদো অচৌ-অশাংগী ময়ানুপা নৎত্রগা মনাওনুপা অমা হেক্তা ওইরম্মী। তৌরু-তৌরুবদা মোহন দাস মায়থীরগতা হল্লকই। অদুবু মহাক হোৎনবদি লেপতে। মহাক খঙই ইন্দিয়াদা শেঞ্জা থুমজা য়াম্না তৌই। অদুবু চাদা তরা নৎত্রগা কুনদি মেরিটতা খনবা য়াই খনখি।

হৌজিক্তি মোহন দাস থবক্কীদমক মন্তিক্লে হায়বা খঙলে। করিগুম্বা মহাক্কী মপাগী লুপা লিশীং য়াঙ্খৌ লাক্ষ অমা লৈরম্লবদি অরৈবা শেল পীজদুনা থবক অমা নৎত্রগা অমদি ফংলম্বা য়াবনি খনখি।

অসুম অসুম মতম কয়া হৌখ্রে। মহাক তশেংনা থবক তৌবগী চহী হেন্দোরক্লে। হৌজিক্তি ইমুংগী মীওইশিং মিপাইবা হৌরক্লে। অদুবু কষ্টুরিনদি মাবু থেমজিল্লি। করিসু কায়দে, লৈঙাক্কী থবক ফংদ্রবসু লন্নাইগী অমা হেক তৌরগা লোইরে। ললোন ইতিক কয়াসু তৌবা য়াই। লাইরিক লাইশু হৈরুরবা থবক ফংদবা মীওই কয়াগী য়াইফনবা লৈঙাক্কী প্লান কয়াসু লৈরে। য়েন লোইগনি। মোম্বতি অমদি ধুপ শাগনি। য়েরুম করবারসু য়াম্না কান্নে। লৈঙাক্কী বেঙ্কশিংনা লোন পীথরি। লিটরেরি প্রোগ্রাম কয়াসু লাকই। লাইরিক লাইশু হৈরবা মীওই কয়া অমবু পার্ট টাইম থবক তৌহনবা য়াওই। অদুবু মমৈদদি প্রোগ্রাম অসিবু পায়রিবা ওফিসার অদুনা মাগী জাতি নৎত্রগা পার্টিগী মীওই অমা হেক্তা হাপচিল্লম্মী। মোহন দাসতি অতোনবা জাতিনি। মহাক্তি পার্টি অমত্তগী মীওইসু নত্তে।

মোহন দাস য়াম্না চম্বা, মীঙোন্দা হায়জ-নোঞ্জদবা, ইকায় থীগনবা মীনি। অদুনা মহাক্তি চেন-চোংবা, মকোক থোংবশিংদা হায়জ-নোঞ্জবা অমদি পীজ-পীথকপা ঙমগদবসু নত্তে। হীরমসিদসু থবক তান্নবা অমগুম য়াম্না মুক্লবা অমা চঙই। মোহন দাসনা কম্পিটিসন তৌনবদা কিজৈ হায়বগী ৱাফম নত্তে। মদুবু কিরম্বা থোক্লবদি বি এগী ইগজামদা মেরিট লিষ্টতা য়াওরক্লল্লোই। ইকুই কুইদনা স্কুল কোলেজ লোইরগা অশেংবা পুন্সি অসিদি শান্নবুং অমনি হায়বা মহাক্না খঙলকই। ইন্ন-কাওনবা হৈবা মীতনা গোল চনগনি। হায়রিবা পূম্বা অসে হায়জ-নোঞ্জবা হৈবা, খঙন চান্নবা লৈবা মীওইতনা ওইগদবনি। পূন্নমক্তুদি মোহন দাসতা মচেৎ অমত্তসু পক্তে।

হৌজিক মোহন দাস মশাখক্তা নত্তনা মহাক্কী নুপী অমদি মমা-মপা পূন্নমক্না লৈঙাক্কী ফম অচৌবা পায়গনি হায়বগী থাজবা লৈত্রে। হৌজিক্তি মহাক্না ইমুং থাকপা ঙম্নবা অদুতমক খল্লে। মরক অসিদা মপা টি বি থুংলে। লোক খুবদা ঈ য়াওরে। ফ্রী আই কেম্প অমদা লায়েংলুবদা মমাসু মমীৎ তাঙলে। কষ্টুরী য়ূমগী থবক ইনখাং অমদি শেল তানবখক নত্তনা মনেম মকুগী সেবাসু তৌরি। মদুসু মশা পোথাজগদবা মতমসিদা মহাক হৌজিক মীরোল্লে, দেবদাস পোক্কদৌরে।

অউবা অমনদি মোহন দাস অসে কুম লায়নানা নারক্লবা ওইনা উগনি। মহাক খুলগী মীগা কয়া তোৎন তিন্নদে। মমান্নবা অমদি মরী মতাশিংগা উনবসু তল্লে। অউবা খুদিংগী ময়াম্না হেক্তা হংই - “কৈদৌরিবগে? থবক ফংলব্রো?”

খুল ময়াদা কথিনা কৌবা তুরেল অমা চেল্লি। তোর্ব্বান্দা থবী, তরবুজ থানৈ। মহাক্কী নুপী অমদি মমা মপা মফমদুদা লাক্তুনা পল খাগৎলি, ঈশিং চাইদুনা মনা মশিং থাই। অহিং নুংথিল মখোয় মশেল অমনা অমবু শিন্নদুনা শঙনৈ। অসুম্না চহী অমদা লুপা লিশীং মাপন তরাদি তাল্লি। অদুবু মতম চাদনা নোং চুরকপা য়াওই। ঈশিং চাউদুনা খুঞ্জাশিংনা থাজবা মনা মশিং পূন্নমক চেন্থখি। মসিগীসে মোহন দাসতসু অনীরক থোকখ্রে। তপ্না তপ্না মঙোন্দা অকিবা পোল্লকই। কষ্টুরিনা দেবদাস পোকপা নুমিৎ অদুগী অহিং চুপ্পা মোহন দাস হল্লক্তে। মহাক্না কথিনা তুরেলগী তোর্ব্বান্দা লোংনা হীপ্তুনা অহাঙবা অতিয়াবু য়েংদুনা লৈখি। দেবদাস পোকখিবা অহিংদো থাসিগী অমম্বা অহিংনি। অঙাং উনবদা কষ্টুরি শিবা চঙবা খঙখিদে। মরক্তা নাউফম পন্দুনা অঙাং উনবিবা লাকইবী বিলসপুরহীন কৌবী মায়োক্লবী অদুনা মমা শিরে হায়না হায়রকখি।

মমা-মপা অনীনা মোহন দাসপু কৌদুনা থিখি। অদুবু মহাক্তি করম্না তাগনি? মহাক্তি কথিনা তুরেলগী তোর্ব্বান্দা অশিবা অমগুম থাসিগী অমম্বা অতিয়াবু য়েংদুনা লৈরি। অহিং অদুদা মশাগী শিংলি পূম্বদা ঈ নত্তে থাসিগী অমম্বা অহিং অদুনি চেল্লিবা। মহাক তূম্বা য়াদে। শোয়রবা অমদি কায়থরবা লৈঙাক্লোন অমদা অকিবা ফাওবা অদুমক ঙসি মঙোন্দসু অকিবা অমা ফাওরি।

তুরেল মপান্দা অহিং চুপ্পা মোহন দাস জ্ঞান মাঙদুনা লৈখি। মমা-মপা অনীনা কৌবা মহাক তাদে। নুপীনা কপ্পা লাউবা অমদি নোংঙাল্লমদাইদা পোকখিবা অঙাং মচা অদুনা কপ্পসু মহাক তাখিদে।

নুমিৎ ফনা থেঙলে। নুংশাগী মৈশানা শাগৎলকপদা মোহন দাস মীকপ থোক্লকই। মহাক খুন্দগী কিলোমিটর অমা লাপ্না লৈবা কাথিনা তুরেলগী তোর্ব্বান্দা হৌজিক ফাওবা জ্ঞান মাঙদুনা লৈরি।

অশাবা লৈঙোই মথক অদুদা মোহন দাস অদুমক তাদুনা লৈরি। মশা পূম্বা চোকথরে। মঙোন্দা করিমত্তা নীংশিংবা থোকত্রি। মহাক্না হীপ্লিবা মফম অসি মহাক্কী মাঙ্গোল অমদি শুমাঙ নত্তে হায়বা মহাক নীংশিংবা ঙমদ্রি। মফম অসে নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা থবী, তর্বুজ, চিনার, খোংদ্রুম অমদি খামেন অশিনবনচিংবা থারুবদা মতম চাদ’ চুরকপা নোংগী ঈশিংনা মাঙ তাকহনখিবা কথিনা তুরেলগী তোর্ব্বাননি হায়বা মহাক হৌজিকসু খঙদ্রি।

মোহন দাস হল্লকপদা লৈকায়গী মীওই কয়া অমা য়ূমদা ওমশিল্লম্বা থেংনৈ। মখোয়শিং অদুদা নুপী কয়া অমসু য়াওই। মহাক লাকপা উবদা ময়াম তুমিন তুমিন্না লৈনৈ। কোন্নদি অমমম স্বায়-স্বায় মাঙনখি, ময়াম্না মহাক্কী মরমদা ঙাঙনরে হায়বা মহাক মশানা খঙজরকই।

(মথং-মথং)

— *মণিপুরীদা ঃ ডা. রাজকুমার মোবী*